দেপ্যুটি কম্মিসনরনা ফেস মাস্ক শোয়দনা উপ্তবা য়াদবগী ওর্দর থোকখ্রে

গুৱাহাতি, সেপ্তেম্বর ২৩ (এজেন্সি): মী তিনবা মফমশিংদা চীন অমসুং নাতোল মপুং ফানা কুপশিনগদবা মরোল অহুমগী মাস্ক শুইশোয় শোয়দনা উপ্পবগী ওর্দর অমা অসামগী চিরাং দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কম্মিসনর গৌতম তাকলুদারনা ইশ্যু তৌখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট দিজাষ্টর মেনজেমেন্ট ওথোরিটিগী চ্যেরমেনসু ওইরিবা তালুকদারনা ওর্দর অদু দিষ্ট্রিক্ট অদুদা কোভিদ-১৯ মখা তানা শন্দোরকপা থিংনবা অসাম কোভিদ-১৯ রেগ্যুলেসন্স, ২০২০; দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ২০২০; ইপিদেমিক দিজিজেজ এক্ট, ১৮৯৭ অমসুং অতৈ মরী লৈনবা লোশিংগী মখাদা ইশ্যু তৌখিবনি। ওর্দর অদুগী মতুং ইন্না মীওই অমত্তা নৎত্রগা ওফিসল অমত্তনা মাস্ক উপ্তনা মীটিং নৎত্রগা মী তিনবা মফম অমদা লৈবা য়ারোই। মশাগী নৎত্রগা ওফিসল গাড়ি নৎত্রগা পব্লিক্কী গাড়িদা মীওই অমত্তা মাস্ক উপ্তনা তোংবা য়ারোই। মফম অমদা নৎত্রগা ওফিস অমদা থবক শুরিবা মীওই খুদিংমক শোইশোয় শোয়দনা ফেস মাস্ক শীজিন্নগদবনি। মীওই অমনা শীজিন্নখিবা মাস্ক অতোপ্পা মীওইনা শীজিন্নবা য়ারোই। লোয়ননা অমুক্তগী হেন্না শীজিন্নরোয়দবা মাস্কশিং চপ চাবা প্রোসিজরগী মতুং ইন্না মাঙহনখিগদবনি। ফীগী মাস্কশিং শীজিন্নবা লোইরবা মতুংদা সাপোন অমসুং অশাবা ঈশিংদা নীংথিনা শুদোক-চামথোকপগা লোয়ননা কংহনগদবনি।

ওদর অদুনা মখা তারদুনা ফেস মাস্ক শীজিন্নবগী মতাংদা থোক্লিবা ওর্দর অসি ইন্দবা মীওই পুম্নমক ইন্দিয়ন পেনাল কোদকী সেক্সন ১৮৮কী মখাদা চৈরাপ ফংবা য়াই হায়নসু ফোঙদোকখি।

ওর্দর অসি থোকপগা লোয়ননা দেপ্যুটি কম্মিসনর মীওই সেসন খুদিংমক্তা সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাকপগী মতাংদা লৈরিবা কাঙলোন অমসুং অতৈ দিরেক্সন খুদিংমক চেকশিন্না ইন্ননবসু অপিল তৌখি। ওর্দর অসি লৈবাকপোকপা নুমিত্তা থোকখিবনি অমসুং মখা তাবা ওর্দর অমা থোক্লিফাওবা চৎনগনি হায়রি।

থবক থদৎখ্রবা ওজা ১০,০০০ গী রিক্রুটমেন্ট পোলিসি লাউথোখ্রে

অগরতালা, সেপ্তেম্বর ২৩ (এজেন্সি): টর্মিনেট তৌখ্রবা ওজা ১০,৩২৩ রিক্রুট তৌনবা ৱারেপ লৌরে হায়না ত্রিপুরা গভর্নমেন্টনা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুমিদাংদা লাউথোকখ্রে। ষ্টেট অসিগী লো এন্দ এদ্যুকেসন মিনিষ্টর রতন লাল নাথনা ৱাফম অসি সিভিল সেক্রেটরিয়েটতা মিদিয়াগা ইন্টরেক্ট তৌনবদা ফোঙদোকখিবনি।

রতন লাল নাথনা হায়খি মদুদি ওজাশিং অসি তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংদা তাঙ্কক নাইনা গ্রুপ সী অমসুং গ্রুপ দিগী পোষ্টশিংদা রিক্রুট তৌরগনি। অদুমওইনমক ওজাশিং অসিনা রিক্রটমেন্ট অদুদা ফমশিং অদুবু নৌনা এপ্লাই তৌরক্লবশিংগা কম্পিটিসন তৌনগদবনি অমসুং গভর্নমেন্টকী মায়কৈদগী মখোয়গী চহী কোমথোক্কনি।

মফম লৌথোকখ্রবা ওজা ১০,৩২৩ অসিগী তোঙানবা রিক্রুটমেন্ট প্রোসেস লৈরোই হায়না পল্লদুনা মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়খি মদুদি ফাইনান্স দিপার্টমেন্টনা অথিংবা থম্বা লৈবনা মরম ওইদুনা ঐখোয়না চহী অমদা ২০০০ গী চাংদা পুন্না মীওই ১০,০০০ থবক লৌগনি। রিক্রুটমেন্ট অসিগীদমক্তা ইন্সটিট্যুট অমা হাংবগা লোয়ননা মফম থদৎখ্রবা ওজাশিং অমসুং অতৈ কেনি দদেটশিংনা চহী কোমথোকপগী খুদোংচাবা অসিগা লোয়ননা রিক্রুটমেন্ট এগজামদা শরুক য়াগদবনি। ওজা ১০,৩২৩ অসিগী খুদক্কী ওইবা সোল্যুসন লৈতে। করিগুম্বা ওজাশিং অসিনা চাংয়েংদা পাস তৌবা ঙমদবা তারবদি মখোয়শিং অসি তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংদা ওইনা শীজিন্নবগী ৱাফম খন্নরকনি। মীওইবগী মীনুংশিংগা লোয়ননা মখোয়বু থবক ফংহনবা হায়বসি ঐখোয়গী পান দমনি। ষ্টেট কেবিনেটনা পুৱারীদা লৈহৌরগদবা ৱারেপ অমা লৌরে হায়না মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি। পনবা য়াবদি, চহী অসিগী হৌখিবা মার্চতা সুপ্রিম কোর্টকী ওর্দর অমনা মখোয়গী এপোইন্টমেন্ট অদু চৎনবা য়ারোই হায়রকখিবা মতুংদা ষ্টেট গভর্নমেন্টনা ওজা ১০,৩২৩ অসি থবক্তগী লৌথোকখিবনি।

অরুনাচল বি জে পিনা ফার্ম সেক্তর বিলশিং শৌগৎখ্রে

ইটানগর, সেপ্তেম্বর ২৩ (এজেন্সি):

হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা রাজ্য সভানা পাস তৌখিবা ৱাথোক ওইরবা ফার্ম বিলশিং বি জে পি অরুনাচল প্রদেশ য়ুনিটনা তরাম্না ওকখ্রে। ষ্টেট বি জে পিনা বিলশিং অদুবু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা গভর্নমেন্টনা লৌখৎলকপা অচৌবা অওনবা লাকহন্নবগী খোঙথাং অমনি হায়না শীংথাখি।

ফার্মরস (ইমপ্লোয়মেন্ট এন্দ প্রোটেক্সন) এগ্রীমেন্ট ওফ প্রাইজ এসুরেন্স এন্দ ফার্ম সর্ভিস বিল, ২০২০ অমসুং ফার্মরস প্রদ্যুস ট্রেদ এন্দ কর্ম্মর্স (প্রামোসন এন্দ ফেসিলিটেসন) বিল, ২০২০ হায়রিবা বিলশিং অসি লৈবাক অসিগী লৌমীশিংগী সিক্যুরিটি অমসুং পুন্সি মহিংগী ফিভম ফগৎহন্নবগী অমদি মখোয়বু কান্নবগীদমক্তনি হায়না ষ্টেট বি জে পিগী স্পোক্সপর্সন মোহেস চাইনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্লা হায়খি মদুদি অহানবগী বিল অসিনা লৌমীশিংবু মখোয়গী লৌউ-শিংউগী পোথোকশিং নোটিফাইদ তৌখিবা এগ্রীকচরেল প্রদ্যুস মার্কেট কম্মিটিগী ৱাংবা য়োঞ্জবা য়াহল্লগনি। বিল অসিনা ষ্টেট মশেলগী মরক্তা লল্লোন-ইতিক তৌবদা লৈরিবা অয়েৎ-অপন কয়া লৌথোক্লগনি অমদি ষ্টেট গভর্নমেন্টপু লৌউ-শিংউগী পোথোকশিংদগী টেক্স লৌবা ঙমহল্লরোই হায়না ফোঙদোক্লদুনা মহাক্লা হায়খি মদুদি লৌমীশিংগী কান্নগদবশিং অসিনা মরম ওইদুনা ষ্টেট খরদা লৌমী মায়োক্কী ওইবা প্রোটেষ্টশিং চথনখিবগা লোয়ননা রাজ্য সভাদসু ওপোজিসন কাঙবুশিংনা বিলশিং অসিগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌখি।

অনীশুবা বিল অসি কন্ট্রেক্ট ফার্মিংগা মরী লৈনৈ অমসুং বিল অসিনা ফার্মগী পোথোকশিং লৈবা অমসুং য়োনবগা মরী লৈননা ষ্ট্রকচরেল এগ্রীমেন্টশিং শোয়দনা লাকহল্লগনি। বিলশিং অসিনা লৌমীশিংগী পোথোক্কী মমল লেপ্পবগী মেকানিজম লৈহল্লরোই হায়না মহাক্লা মখা তাখি।

মেঘালয়াদা হল্লকপশিং অমসুং চঙলকপশিংনা ইনগদবা অনৌবা গাইদলাইনশিং ফোঙখ্রে

শিল্লোং, সেপ্তেম্বর ২৩ (এজেন্সি):

মেঘালয়াদা কোভিদ-১৯গী কেস লেপ্তনা হেনগৎলক্লি ঙৈ চৈরক্তা ষ্টেট অসিদা হল্লকপা/চঙলকপা মীওইশিংনা ইনগদবা অনৌবা গাইদলাইনশিং অমসুং প্রোতোকোলশিং লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ষ্টেট গভর্নমেন্টনা ইশ্যু তৌখ্রে।

হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের দিপার্টমেন্ট ওফ মেঘালয়াগী কম্মিসনর এন্দ সেক্রেটরি ইন-চার্জ সম্পাঠ কুমারনা খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকখিবা নোটিফিকেসন অদুগী মতুং ইন্না ষ্টেট অসিদা নুমিৎ হুম্নি নৎত্রগা য়ৌদনা লৈনবগী থৌরাংগা লোয়ননা চঙলকপা পাম্বা মীওই খুদিংমক ওফিসল ৱেবসাইটতা কোভিদ আই দিগীদমক্তা রেজিষ্টর তৌগদবনি।

মীওইশিং অদু হনখিবগী ভেলিদ টিকেট (এয়র/রেন)সু পায়গদবনি। লম্বীদা গাড়ি তোংলগা চৎপা পাম্বী মীওইশিংনা মখোয়গী গাড়ি নম্বর পনগদবনি। করিগুম্বা মখোয়না শকখঙলবা লেবোরেটরি অমদগী কোভিদ-১৯গী নেগেটিভ আর টি-পি সী আর রিপোর্ট অমনা পায়রক্লবদি ষ্টেট অসিদ চঙলকপা মীওই খুদিংমক্তা শোয়দনা চথহন্দুনা লাক্লিবা রেপিদ এন্টিজেন টেষ্টিং মখোয়দদি তৌররোই। মখোয়না পুরক্কদৌরিবা আ টি-পি সী আর নেগেটিভ রিপোর্ট অদু ষ্টেট অসিদা থুংলদ্রিঙৈ মমাং পুং ৭২ গী মনুংদা লৌবা সেম্পলগী ওইগদবনি।

ষ্টেট অসিদা লাকপা নৎত্রগা হল্লক্লিবা মীওইশিংনা শুপ্পগী মেঘালয়া গভর্নমেন্টনা এপ্রুভ তৌবা দেজিগনেটেদ হোটেলশিং অমসুং গেষ্ট হাউস/গভর্নমেন্ট নৎত্রগা গভর্নমেন্ট এজেন্সিনা চল্লাইবা গেষ্ট হাউসশিংদা লৈগদবনি। মখোয়না ষ্টেট অসিদা থুংলদ্রিঙৈ মাঙজৌননা লৈফম বুক তৌগদবনি হায়রি।

CROSSWORD-3569



ACROSS

1 Solid fat used in cooking (4)
3 Roomy (8)
9 Eternally (7)
10 Loathe (5)
11 Expand (5)
12 Uncomplicated (6)
14 Gangways (6)
16 Nap (6)
19 Cooking place on board ship (6)
21 Savoury jelly (5)
24 Mountain lions (5)
25 Popular bedding plant (7)
26 Slow-moving reptile (8)
27 Nautical unit of speed (4)

DOWN

1 Flattery, blarney (4,4)
2 Eagle's nest (5)
4 Die (6)
5 Attractiveness (5)
6 Shakespeare play (7)
7 Arrange in order (4)
8 Gracefully slender (6)
13 Dealer (8)
15 Speech defect (7)
17 Not far away (6)
18 Rides a bike (6)
20 Lariat (5)
22 Large tower supporting high-tension wires (5)
23 Catch sight of (4)

Solution 3568

B	A	C	C	H	U	S	■	H	O	M	E	R
O	■	H	■	O	■	T	■	O	■	O	■	E
R	O	A	D	S	■	R	E	V	E	N	G	E
E	■	I	■	T	■	I	■	E	■	S	■	L
D	E	R	R	I	C	K	■	L	I	O	N	S
O	■	■	■	L	■	E	■	■	■	O	■	■
M	E	R	S	E	Y	■	C	A	N	N	O	N
■	■	E	■	■	■	A	■	T	■	■	■	O
A	C	T	E	D	■	D	O	L	P	H	I	N
I	■	I	■	E	■	D	■	A	■	A	■	P
M	O	R	O	C	C	O	■	S	I	S	A	L
E	■	E	■	A	■	N	■	E	■	T	■	U
D	O	D	G	Y	■	S	I	S	T	E	R	S

SOLUTION ON NEXT ISSUE

ষ্টেটকী পাউ

ফ্লাইটতা মীওই ৪৬৭ রোম পুরকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২৩ (এজেন্সি) : ষ্টেট অসিগী ৱাংমদা তোঙান তোভানবা মফমদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ৪৬৭ রোম ঙসি ফ্লাইট তরেৎতা পদুনা ইম্ফালগী বীর টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেসন এয়রপোর্টতা পুরকখ্রে।

ঙসি অয়ুক পুং ১০.৩৫ রোম তাবদা (এয়র এসিয়া আই ৫-৭৮৩) ফ্লাইট অসিনা দিল্লি অমদি গুৱাহাতিদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ৬০ ইম্ফাল এয়রপোর্টতা পুরকখ্রে। অনীশুবা ফ্লাইট (ইন্দিগো ৬ই-৪৫৭) অসিনা ঙসি অয়ুক পুং ১০.৪৫ রোম তাবদা গুৱাহাতিদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ৮৫ রোম ইম্ফাল এয়রপোর্টতা পুশিল্লকখ্রে। অহুমশুবা ফ্লাইট (এয়র ইন্দিয়া (৯ আস ৭৮২) অসিনা কোলকাতা, গুৱাহাতি অমদি দিমাপুরদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ১৩ ঙসি নুমিৎয়ুং মতুং পুং ১২.১০ রোম তাবদা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা পুরকখ্রে। মরিশুবা ফ্লাইট (ইন্দিগো ৬ই৮৮৯) অসিনা ঙসি নুমিৎ য়ুংবা মতুং পুং ১২.২৬ রোম তাবদা অগরতালাদা পন্দুনা লৈরম্বা ১৪ রোম ইম্পাল এয়রপোর্টতা পুশিল্লকখ্রে। মঙাশুবা ফ্লাইট (ইন্দিগো ৬ই ৬৩২৩) অসিনা ঙসি নুংথিল পুং ১২.৫৫ রোম তাবদা কোলকাতাদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ১১৩ রোম ইম্ফাল এয়রপোর্টতা পুরকখ্রে। তরুকশুবা ফ্লাইট (ইন্দিগো ৬ই০২০১৯) অসিনা ঙসি নুংথিল পুং ১.৩০ রোম তামদা দিল্লিদা পন্দুনা লৈরম্বা ৯৬ রোম ইম্ফাল এয়রপোর্টতা পুশিল্লকখ্রে। তরেৎশুবা ফ্লাইট (এয়র ইন্দিয়া এ আই-৮৮৯) অসিনা ঙসি নুংথিল পুং ২.০২ রোম তাবদা দিল্লিদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ৮৬ রোম ইম্ফাল এয়রপোর্টতা পুরেকখ্রে।

মাস্ক, সেনিটাইজর, হেন্দ গ্লোভশিং য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২৩ (ঐচ এন এস) : হৌজিক ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯ পেন্দমিককী মায়োক্তা অকনবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎলিবা অসিগী মনুং চন্না জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী মীয়ামগীদমক তোঙান তোঙানবা লুপশিংগী খুত্থাংদা ফেস মাস্ক, হেন্দ সেনিটাইজর অমদি হেন্দ গ্লোভশিং য়েন্থোকখ্রে হায়রি।

পোৎলমশিং অসি জিরিবাম মোরোক অতিংবী খুন্নৌগী পাঞ্জেল ক্লব, লৈঙাংপোকপী য়ুথ এসোসিয়েসন, ওল জিরিবাম ৱিমেন এসোসিয়েসন, সনরাইজ ক্লব (কদমতলা), নিফিল বিষ্ণুপ্রিয়া মণিপুরী য়ুথ এসোসিয়েসন (গুৱাহাতি), লালপানি মুস্লিম য়ুথ এসোসিয়েসন (লালপানি), বাবুপরা ৱার্দনম্বর ৪ অমসুং ৫গী নুপী লুপশিং, কালিনগর লাইব্রেরী লৈকায় (পার্ট-২) অমসুং অঙ্গনৱাদি সেন্টর, জিরিবামদা য়েন্থোকখিবনি হায়রি। পোৎলমশিং অসি মণিপুর লৈঙাক্কী হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের মিনিষ্টর এল জয়েন্তকুমারনা পিরকপদগী বোরোবেক্রাদগী সোসল ৱার্কর এ শুরেন্দ্রকুমার, এদভোকেটনা য়েন্থোকখিবনি হায়রি।

মোরে পুলিসনা রেপিষ্ট ফারে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২৩ (এজেন্সি) : থা সিগী ১৫ দা মোরে পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা এরিয়াদা লৈবা চহী অহুমমখায়দা ঙাইরিবা নুপীমচা অমা য়াম্না নুংশি হৈতনা চহী ১৬ রোম শুরবা জুবেনাইল ওইবা নুপামচা অমনা নমদুনা নুপী ওইবগী ইকাই খুম্নবা মাঙহনখিবা যৌদোক্তা চেন্নবা মীওই অদু মোরে পুলিসনা ফারে। এদিসনেল এস পি (এল/ও) শংবোই গাংতেনা ফোঙদোরকপদা মরাল লৈবা মীওই অদু জুভেনাইল ওইরবসু লৌখৎফম থোকপা থবক অদুদি লৌখৎকনি হায়রি।

ꯊꯥꯒꯠꯄ/ খোং হাম্বা মতমদা অমাংথোং মপান অকোয়বদু চাউথোরকপা, অমাংথোং মপান্দু মরেং মরেং চৎলগা হাক্কৎচবা, নুমীদাংগী মতমদা অমাংথোং মনুংদগী মপান্দা তীলকুপ থোক্লকপা, খোং হাম্বা খুদিংগী ঈ দ্রোপ দ্রোপ তারকপা, পুক্তা গ্যাষ্টিক কারগা পুক কংখৎপা, য়ারোমদা তোয়না তোয়না খেগৎলকপা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি

ঐগী হকচাংদা নুংশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা খোং হাম্বা মতমদা অমাংথোং মপান অকোয়বদু চাউথোকপা, খোং হাম্বা লোয়রগা মশানা অমুক হঙ্গৎখিবা, অমাংথোং মপান্দু মরেং মরেং চৎলগা হাক্কৎচবা, হাক্কৎচবা অদু খাংবা ঙমদদুনা খোৎপা মতমদা অমাংথোং মপান্দু তৎপা, তৎপা অদুনা মরম ওইরগা খোং হাম্বা মতমদা য়াম্না নাবা অমদি থুপ্পা, নুমীদাংগী মতমদা অমাংথোং মনুংদগী মপান্দা তীলকুপ থোক্লকপা, তীলকুপ অদু ফাদোকপা, খোং হাম্বা চাং নাইদবা, খোং হাম্বদা মপুং ফানা হাম্বা য়াদবা, মচিৎ মচিৎ হাম্বা, খোং হাম্বা খুদিংগী ঈ দ্রোপ দ্রোপ তারকপা, খোং হাম্বা চঙগনি খনবদা হকচাংদা অকিবা অমা পোকপা ঈ তারক্কনি খনবদা, চাবসু য়াম্না চাদবা খোং তোয়না হামদনবা, অমাংথোং মনুংদা খুৎনা থিজিল্লগা য়েংবা মতমদা হৱাই মঙ্গলমুক চাওবা অমা পোল্লগা লৈবা থেনবা, পুক্তা গ্যাষ্টিক কারগা পুক কংখৎপা, য়ারোমদা তোয়না তোয়না খেগৎপা, কময়া অনীমক নাবা, ঙকশম মরি নাবা, লেংজুম অনীমক নাবা, খ্বাং নারগা থবক কুইনা শুবা ঙমদবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু পাউচেগী থোঙদা হন্না হন্না থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

HL-B/6380/24 *থাগৎচরিবী :* **Y. Manda Chanu, Lamsang**

ꯊꯥꯒꯠꯄ/ নুংশং লায়নাগীদমক ওজা কবিরাজ ABDUL HAK মতিক চাই

ওজা অব্দুল হককী লায়েং মখাদা ইশাদা লৈরম্বা পাইলস লায়নাগী হিদাকশিং চাং নাইনা চাজবদগী অমসুং মপুগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফজ রে। ওজাবু হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি অমসুং পুন্সি নুংশাংনা মীয়ামগী সেবা ফংবিখো হায়না মপুদা থৌনিজরি। ঙসিমক তানবীয়ু ওজা পাইলসকী অনাবনা, খ্বাং নাবা, গ্যাষ্টিক কাবা, খোং হাম্বা চাং নাইদবা, খোং হাম্বাদা ঈ য়াওবা, খোং হাম্বা মতমদা চেখোয়রগা থুপ্পা শাবা, শৌজ নাম্বুবা, চিকপা নাবনা হম-হম লাওবা, অমাংথোং মপান্দা ফুরিদৌনা অপোম্বা লৈবা, ঙকশম মরি নাবা অমসুং চানিং-থক্লিংবা পোক্তবগী অৱাবা লৈবশিংনি।

ওজাগী লায়েংলিবা মফমশিংদি :-

1. Wangoi SBI Awang, Near Oil Pump (6:00am-5:00 p.m.)
Contact No. : 8794429681, 8014623756

থাগৎচরিবা : **Ch. Inoucha Meitei**
Thoubal, Khuman

HL-P/7520/24

DUTTA AYURVEDIC CLINIC (Regd. No. 55503)
Khoyathong Christian Literature House Building
Thangal Bazar Road Khoyathong, Imphal

(অঙৌবা পকপা)

হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্লা ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

(তাং-তাং চিকপা)

তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুং শিথবা, মশল পাবা, খুং হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

(দাইবেটিসকী প্রোৱ্লেম)

দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হঙ্গুরক্নি। ফম্বী চাং হঙ্গুরক্কনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোঙ্খারক্কনি। হায়রিবা প্রোৱ্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

(নুংশং)

নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কল্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

(গ্যাষ্টিক্কী প্রোৱ্লেম)

পুক নুংশিং কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোৱ্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীয়ু।

নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু

(নুপাগী প্রোৱ্লেম)

ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোম্বা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

(নুপীগী প্রোৱ্লেম)

নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাংনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোৱ্লেম)

না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হঙ্গুরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোৱ্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

(শমগী প্রোৱ্লেম)

শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

HOW TO GIVE UP WINE

If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it .with meal, vegetables or tea without telling him

HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL

If you want to control diabetes, then please use our sugar nil. Your sugar -/level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210

DUTTA AYURVEDIC CLINIC (Regd. No. 55503)
Khoyathong Christian Literature House Building
Thangal Bazar Road Khoyathong, Imphal

HL-B/6359/06/09-06/10

HUEIYEN SUDOKU

Hueiyen Sudoku-3368

2			6		5			1
		1						2
						7	6	
9				5		3		
	5	2	7		8	6	1	
		3		1				4
	2	9						
1						9		
5			1		7			3

Solution-3367

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

5	6	3	4	8	2	7	1	9
7	2	9	6	5	1	3	8	4
1	4	8	9	3	7	6	5	2
9	8	4	2	1	6	5	3	7
6	3	5	7	4	8	2	9	1
2	7	1	3	9	5	8	4	6
4	5	6	8	2	9	1	7	3
3	1	7	5	6	4	9	2	8
8	9	2	1	7	3	4	6	5



গাঙম


খুল্লাকপগী মচানুপীদু ঈশিং চাইবীরোমদা ঈশিং শোকপা চঙখিরম্মী।
অদুবু ঙাইহাক লৈরগা নুপীদু ঈশিং অমত্তা চোৎতনা লাকখিরম্মী।
ঈ! করিনো মাদি ঈশিং অমত্তা চোত্তেনা কম্মাইন্নো সিদী।

ষ্টোরি অমসুং আর্ট : সামসন সলাম